**23E—MMAN**

**2023**

# MANIPURI

## ( Modern Indian Language )

*Full Marks* : 100

*Pass Marks* : 30

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

**ALLOTMENT OF MARKS**

| | |
|---|---|
| Q. No. **1** carries *1* mark each | 1×12 = 12 |
| Q. No. **2** carries *2* marks each | 2×6 = 12 |
| Q. No. **3** carries *2* marks each | 2×5 = 10 |
| Q. No. **4** carries *2* marks | = 2 |
| Q. No. **5** carries *4* marks | = 4 |
| Q. No. **6** carries *4* marks each | 4×2 = 8 |
| Q. No. **7** carries *4* marks each | 4×3 = 12 |
| Q. No. **8** carries *4* marks each | 4×3 = 12 |
| Q. No. **9** carries *6* marks each | 6×3 = 18 |
| Q. No. **10** carries *4* marks | = 4 |
| Q. No. **11** carries *6* marks | = 6 |
| | Total = 100 |

**1.** য়াম্না তেন্না পাউখুম পীয়ু : 1×12=12

(ক) জাতি অমা চাউখৎলে নত্রগা চাউখৎত্রি হায়বসি জাতি অদুগী করিনা তাকপগে ?

(খ) করম্বা লানবু মণিপুরগী অরোইবা নিংতম লাননি হায়না লৌনবগে ?

(গ) এনালোগ কম্প্যুটরগী শিজিন্নফম অমা ইয়ু।

(ঘ) সুনামী অসি করম্বা লোলনো ?

(ঙ) ঔৰানা মণিপুরদা চহি কয়া পানখিবগে ?

(চ) 'য়াতাবা' হায়বগী অর্থ করিনো ?

(ছ) "চিংনা কোয়না পনশাবা হাওনা কোয়না পনঙাকপা" করম্বা লমদম্লো পল্লিবসি ?

(জ) 'কোৰৌ' হায়বগী অর্থ করিনো ?

(ঝ) কম্প্যুটরগী মখল পুন্নমক্তা মখল কয়া লৈবগে ?

(ঞ) সর্গদগী হেনবা পোৎশক্তু করিনো ?

(ট) সাহিত্যগী অর্থ করিনো ?

(ঠ) সুনামী থোকপগী মরম অমখক ইয়ু।

**2.** তেন্না পাউখুম পীয়ু (তরুক্তংগী) : 2×6=12

(ক) সাহিত্যদা শব্দগী মথৌ তাবদু ইয়ু।

(খ) মঙাশুবা নেসনেল গেমস কদাইদা পাংথোকখিবগে ? করম্বা রাজ্যনা চেম্পিয়ন ওইখিবগে ?

(গ) মনিংতম্বা লৈবাক অমনা মীখা পোনবগী মরম অনিদং ইয়ু।

(ঘ) চন্দ্রকৃতি মহারাজগী মচানুপা অনিদংগী মমিং ইয়ু।

(ঙ) কম্প্যুটরগী মখলশিংদু করি করিনো ?

(চ) কম্প্যুটরগী কান্নবা অনিখক ইয়ু।

(ছ) মণিপুরগী য়েলহৌঙেদগী লোয়নরক্লবা মশান্না অনিদং ইয়ু।

**3.** তেন্তকপা পাউখুম পীয়ু (**মঙাখক্কী**) : 2×5=10

(ক) সুনামীনা থোকহনবশিংদু তেন্তক্না ইয়ু।

(খ) থৱাই পানবশিংনা হিংবদা তঙায়ফদনা চংবা অনিখক ইয়ু।

(গ) টাইডেল ৱেব হায়বসি করিনো?

(ঘ) অকোয়বা (এনভাইরনমেন্ট) হায়রগা করি খঙনবগে?

(ঙ) সুনামীগী ঈপোম্না সমুদ্র তোর্বান্দা নকশিল্লক্লিমখৈ করি ফিভম ওইরকই?

(চ) নুংশিৎ শেংলক্তবগী মরুওইবা মরম অনিখক ইয়ু।

**4.** "ইবুংঙো, ঐনা নংবু ফংবদি রামচন্দ্রনা লক্ষণ ফংবা অদুগা যুধিষ্ঠীরনা অর্জুন ফংবগুম্বনি।" কনানা কনাদা হায়রিবনো? 2

**5.** 'ইরৈপাক' শৈরেংদা কবিনা শিংথারীবা ইরৈপাক্কী ফজবদু ইয়ু। 4

**6.** (ক) নুংশিৎ-নুংশা শেংহন্নবগী থৌরাং খরা ইয়ু। 4

(খ) সুনামী ঙাকথোক্নবগী পান্থৈশিংগী মরমদা তেন্তক্না ইয়ু। 4

**7.** তেন্তকপা পাউখুম পীয়ু (**অহুমখক্কী**) : 4×3=12

(ক) ঔৱাগী মখুৎতগী মণিপুর কন্ননবা চৌর্জিৎ মচিন-মনাউ খন্নখিবা থৌরাংদু শন্নপ্না ইয়ু।

(খ) ব্রজসিং থাংশাং কনাগীনো? থাংশাং অসি কনাদা শিন্নখিবগে?

(গ) চহি তরেৎ খুন্তাকপা হায়রগা করিবু খঙনৈ? তেন্তক্না ইয়ু।

(ঘ) চৌর্জিৎ, মার্জিৎ অমসুং গম্ভীরসিংহ মচিন-মনাউনা কাছারদা চেল্লকখিবগী মরমশিং শন্দোক্না ইরম্মু।

**8.** পাউখুম পীয়ু (**অহুমখক্কী**) : 4×3=12

(ক) করম্বা চহিদা মণিপুরগী অরোইবা নিংতম লান থোকখিবগে? লান অসিগী মরমদা তেন্তক্না ইয়ু।

(খ) মণিপুরগী শান্নবগী ঈহৌদা নুপীনা লৌরিবা থৌদাংদু ইয়ু।

(গ) কনানা কম্প্যুটর পুথোকখিবগে? কম্প্যুটর শাবা কম্পনী অমগী মমিং ইয়ু।

(ঘ) অফবা সাহিত্যগী মগুণশিংদু ইয়ু।

**9.** মখাগী ৱাহংশিংসিগী পাউখুম পীয়ু (**অহুমদংগী**) : 6×3=18

(ক) 'মৈরা পায়বী' শৈরেংদা অইবনা হায়নিংলিবদু শন্নপ্না ইথোকউ।

(খ) 'ঐ লাইমিং লৌদে' শৈরেংদা অইবনা ফোংদোক্লিবদু শন্নপ্না ইথোকউ।

(গ) ''নশানা নিংথৌ শেমজবা
হে মীওইবা''

মীওইবনা করম্না মশানা মশাবু নিংথৌ শেমজবগে? মদুগী মহৈ করিনো হায়বদু শন্দোক্লা ইয়ু।

(ঘ) 'মৈতৈ কবি' হায়বা শৈরেং অসিগী নুংগী ওইবা ভাব অদু ৱারেংদা ইথোকউ।

**10.** **অমখক্কী** মরমদা শন্দোক্লা তাক্কুনা ইয়ু (Amplification) : 4

(ক) অঙাংদি নীংথাদা খঙই

(খ) অরংবা খুদিংমক সনা নত্তে

**11.** মখাগী ৱারেং মতেক অসিগী চান্নবা মীংথোল অমা পীদুনা ৱাহৈ ৩০ মুক্তা শন্না (Précis) ইয়ু : 6

মীওইবনা মতম অমসুং মতাং চারিঙৈদা থবক-থৌরম পাঙথোকপা হায়বসি য়াম্লমক মরুওই। মহৈ তন্লিবা মহৈরোইশিংনা মহৈ তন্লিঙৈদা মখোয়গী পান্দমদু য়ৌননবা পুক্লিং চংনা তমগদবনি। মহৈ তন্লিঙৈদা মদুগা মরী লৈনদবা হিরমশিংদা ৱাখল চোইথোক্কুনা থবক তৌরবদি মতম অমসুং মতাং চানা মহৈ তম্বদু লোইশিন্দবা নত্রগা মপুং ফাদবা য়াই। মসিগী প্রমাণ অমা ওইনা য়েংলবদা য়োৎশুবশিংনা মৈনুংদা ফুন্লিবা অশাবা য়োৎতু অকক্লবা মতমগী মনুংদা মহাক্লা ওইহন্নিংলিবা মওং-মতৌ অদু তাননবা য়ৈথোক-য়ৈশিন তৌদুনা শেম্মী। করিগুম্বা মদু অকক্লবা মতমগী মনুংদা শাহৌ-শেমহৌদ্রবদি অশাবা য়োৎতু ঈংথখিদুনা মহাক্লা ওইহন্নিংলিবা মওং-মতৌদু ওইহনবা ঙমদবা য়াই। মতৌ অসুম্না মীওইবা খুদিংমক্লসু মখোয়গী তৌগদবা মথৌদু মতম লৈরিঙৈ অমসুং মতাং চারিঙৈদা পাংথোক্লবা হোৎনগদবনি। থবক পুম্নমক মতম চানা পাংথোকপা হায়বসিনা পুন্সিদা মহৈ য়ানবা মী হায়বদু ওইবা ঙমগনি।

★★★